# অফঘানিষ্টানদা অমুক হন্না লালহৌবশিং মপাঙ্গল কনখৎলক্লবদি ইন্দিয়াদা অচৌবা চৈথেং লাক্কনি: এনভোয়

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগী মথৌ তাই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ইন্দিয়াগী পর্মনেন্ট মেম্বর ওইনা লৈরিবা টি এস ত্রিমুর্টিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না অফঘানিষ্টানদা অমুক হন্না লালহৌবশিংনা পৱার পায়রক্লবদি ইন্দিয়াদা অচৌবা চৈথেং লাক্কনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর খুদিংমক্না অফঘান মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি তরাইনা লৌরোইদবনি। টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং কয়া চত্থদুনা লৈবাক অদুদা পৱার পায়নবা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লি। করিগুম্বা অফঘানদা টালিবানশিংনা পৱার পায়খ্রবদি মালেমদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্তা লালহৌবশিংগী ওইবা অচৌবা চৈথেং অমা লাক্কনি। মসি থোক্তনবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর খুদিংমক্না হোৎনগদবনি।

অফঘানদা লালহৌবশিংনা মপাঙ্গল কন্না লৈরিঙৈ মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অচৌবা এটেক্ট চত্থদুনা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রে। মদুগী মতুং লালহৌবশিংগী ওইবা থবক থৌরমশিং অদু নমথনবগীদমক য়ু এস অমদি নেটোনা অফঘানদা ট্রুপস কয়া থাজিন্দুনা কাউন্টর এটেকশিং চত্থবা হৌখিবনি।



চহী ২০ লোম ফোরেন ট্রুপশিংনা অফঘানদা লৈদুনা লালহৌবশিং মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুম ওইনমক লালহৌবশিং মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিঙৈদা অফঘানদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবা ট্রুপশিং সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লবা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা টালিবান ফাইটরশিং কা হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থবা হৌরকখিবনি।

অফঘানগী মরুওইবা মফম কয়া হৌজিক টালিবান ফাইটরশিংনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে। অফঘান গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংবু অমুক হন্না তকথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরি। অফঘান গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিং মায়থিবা পীনবা হোৎনরিবা অসি ইন্দিয়ানা মপুং ফানা শৌগৎলি। মালেমদগী লালহৌবশিং মপুঙ ফানা মাঙহনখিবা হায়বসি ইন্দিয়াগী পান্দমনি। অদুবু হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অফঘান মনুংগী ৱাথোকশিং মতম চানা লোয়শিন্দুনা তংদু লৈতাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনদ্রবদি তুংদা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ত্রিমুর্টিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন্না ইন্দিয়াবু মাঙহনবা হায়বসি মালেমদা লৈরিবা লালহৌবশিংনা লাইনিং ওইরিবা ৱাফম্নি। মরম অদুনা অফঘানদা লালহৌবশিংনা পৱার পায়খ্রবদি ইন্দিয়াদা অচৌবা চৈথেং লাক্কনি হায়রি।

অমরোমদা অফঘানদা লৈরিবা টালিবান ফাইটরশিংগী ওইনদি লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট অস্রফ ঘনিনা মফম থাদোক্ত্রিবা ফাওবা টালিবানশিংনা খুৎলায় থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অস্রফ ঘনিগী ওইনসু টালিবান ফাইটরশিং লাক্লিবা থা ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অদুদগী মপুং ফানা তকথোক্লবা হোৎনগনি হায়না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। অফঘানদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রে। হৌজিকসু লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্সশিংদা লৈরিবা মীওই কয়া লালগী অচৌবা চৈথেং ফংলি। পনবা য়াবদি য়ু এসনা লৈবাক অদুদগী মখোয়গী ট্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবসু মথৌ তারবদি অমুক হন্না মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

# উংখৎনরিঙৈ মরক্তা জর্মনিনা সাউথ চাইনা সীদা ৱারশিপ অমা থাজিনখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) :

ৱেষ্টন কন্ত্রিশিংনা মখোয়গী মিলিটরিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শন্দোক্লবা হোৎনরিবা অদুদা মতেং পাংশিনবা ওইনা জর্মনিনা চহী ২০ লোমগী মতুংদা অহানবা ওইনা হৌজিক হৌজিক চয়েৎনদুনা লৈরিবা সাউথ চাইনা সীগী শরুক্তা মখোয়গী ৱারশিপ অমা থাজিনখ্রে হায়রি।



সাউথ চাইনা সীগী শরুক অসি চাইনানা মখোয়গী ঈশিংগী শরুক্লি হায়না ক্লেইম তৌবগা লোয়নন্না খুৎশেমগী ওইবা আইলেন্দ অমদা মখোয়গী মিলিটরি আউটপোষ্টশিং শাজিন্দুনা লাক্লি। মালেমগী লৈবাকশিংনদি চাইনানা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না মিলিটরি আউটপোষ্টশিং লৌথোক্লবা খঙহন্দুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক হায়রিবা ঈশিংগী শরুকশিং অসিদা চাইনানা মখোয়গী মিলিটরিগী ওইবা থবক থৌওং কয়া হৌজিকসু লেপ্তুনা চত্থদুনা লাক্লি।

অমরোমদা চাইনানা মখোয়গী ঈশিং শরুক্লি হায়না ক্লেইম তৌরিবা মফম অসি য়ু এসনদি ইন্টরনেসনেল টেরিটোরিনি হায়না ক্লেইম তৌরি। হায়রিবা ঈশিংগী শরুক অসিদা ইন্টরনেসনেল লোগী মতুংইন্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা অকায়বা লৈতে হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ইন্টরনেসনেল লোগী ময়োক্তা চাইনানা থবক তৌই হায়দুনা য়ু এসনা মতম কয়াগী মমাংদগী মরাল শিদুনা লাক্লি। য়ু এস খক্তা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক কয়ানসু চাইনানা ঈশিংগী শরুক্তা অহেনবা থবক থৌওং কয়া তৌই হায়না মরাল শিদুনা লাক্লি। অমরোমদা চাইনাগী ওইনদি মখোয়গী ঈশিংগী শরুক্তা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা লোগী ৱাংমদা থবক তৌই অমদি চাইনাদা হান্না খঙহনবা তৌদনা থবক পায়খৎলি। অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবকশিং থিংবা হায়বসি লৈবাক অমগী তৌফম থোকপা মথৌনি। মরম অদুনা সাউথ চাইনা সীদা চত্থরকপা অহেনবা থবক থৌরম খুদিংমক চাইনানা থেংননবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা জর্মনিনা মখোয়গী ওইবা ৱারশিপ অমা থাজিনখিবা অসিনা অমুক্কা হেন্না উংখৎনহল্লকপা য়ানা লৈরি। জর্মনিনা ৱারশিপ অমা থাজিনখিবা অদুগা মরী লৈননা চাইনাগী মায়কৈদগী হৌজিকফাওবগী ওইনদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# ভেক্সিন কাপ্পগী চাং চাদা ৫০ য়ৌরবা মতমদা অথিংবশিং কোমথোক্কনি

কেনবেরা, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী মরুওইবা সিটি কয়াদা দেল্টা ভেরিয়েন্টনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরকপদগী লোকদাউন থমজিন্দুনা লায়না লায়চৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরি। অমরোমদা লৈঙাক্না লোকদাউনগী মতম শাংদোকখিবা অদুবু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মীয়ামগী দিমান্দ মতুংইন্না করিগুম্বা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী চাং চাদা ৫০ য়ৌরবা মতমদা হৌজিক থম্লিবা অথিংবশিং অসি লৌথোক্কনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী দিমান্দ মতুংইন্না লৈবাক অদুদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক খুমাং য়াংশিনহন্নবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী অচৌবা সিটি খরদা থম্লম্বা অথিংবা খরা লৌথোকপা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক সিদনিদা মখা তানা লোকদাউন থম্লি। মসি সিটি অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি। সিটি অদুদা লোকদাউন থম্লবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি লায়না লায়চৎ অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। মীয়াম্নসু লোকদাউনগী চৎন-কাংলোনশিং থুগায়দুনা লম্বীদা চথোক চৎশিন তৌরকপদগী তঙায়ফদনা আর্মীশিং সিদনিদা দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং পায়খৎত্রে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

# বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌজিকসু লেবাননদা অৱাবা ময়োক্লরি

বৈরুট, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী):

লেবাননদা মমাং চহীদা য়াম্না অকিবা ফংলবা বোম অমা পোকখয়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌজিকসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া অৱাবা কোক্ত্রি। মসিদগী হেন্না অমুক খুদোংথিনিঙাই ওইরিবদি হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা অঙাং কয়াদা মখল কয়াগী লায়নাশিং থোকহল্লক্লিবা অসিনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।



য়ু এন এজেন্সি ফোর চিলদ্রেননা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাননদা লৈরিবা অঙাংশিংগী মনুংদা চাদা ৩৪ দি মীগা মীমান্নদবা অমদি ৱাখল্লোন তাদ্রি। মসিগী মথক্তা খরা অমনা চহী নৌরিঙৈদা শিবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লেবাননদা লৈরিবা মীওইশিংনা হৌজিকসু অৱাবা কয়া ময়োক্লরি। য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি ৱার্ল্ড বেঙ্কনসু লেবাননদা পাংবা য়াবা মতেং পাংলি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মায়কৈদগী মতেং খরা ফংলবসু মীয়ামগী অৱাবদি মপুং ফানা কোকহনবা ঙমদ্রি। লেবাননদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা ময়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি মতম চানা কোকহন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি লৈবাক অসিদা মখা তানা চহী নৌরিবা অঙাংশিং শিবগী চাং হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

# বংলাদেশতা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা রোহিংজা রিফ্যুজি ৬ শিহনখ্রে, খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লহল্লি

ধাকা, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) :

বংলাদেশতা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা ঈশিং ঈচাও থোকহনখিবগা লোয়নন্না রোহিংজা রিফ্যুজি কয়ানা লৈরিবা কোক্স বজারসু ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী মফমদুদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা রিফ্যুজি কয়া অৱাফমদা তাহনখিবগা লোয়নন্না ঈচাওনা মরম ওইরগা রিফ্যুজি ৬ শিহনখ্রে হায়রি।

কোক্স বজারদা হৌজিক হৌজিক রিফ্যুজি ৯,০০,০০০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মদুগী মনুংদা ৫,০০,০০০ রোমদি ম্যান্মারদগী চেনশিল্লকখিবা রোহিংজা মুস্লিমশিংনি। ঈচাওনা মরম ওইরগা অৱাবা তাহল্লবা রিফ্যুজিশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। বংলাদেশতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্না রিফ্যুজিশিংগীদমক থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবা অসি লায়বক থিবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকপগা লোয়নন্না মখা তানা ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা অমুক হন্না চৈথেং পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি। কোক্স বজারদা মখা তানা নোং চুরবদি মফম অদুদা লৈরিবা মীওই কয়াদা লায়না মখল কয়া শন্দোরকপগী অকিবসু লৈ হায়রি।

# মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 199,897,384 | +329,342 | 4,254,117 | +5,750 | 180,306,786 | 15,336,481 |
| 1 | USA | 35,901,710 | +5,730 | 629,917 | +55 | 29,722,067 | 5,549,726 |
| 2 | India | 31,732,703 | +7,304 | 425,388 | +160 | 30,896,354 | 410,961 |
| 3 | Brazil | 19,953,501 | | 557,359 | | 18,687,203 | 708,939 |
| 4 | Russia | 6,334,195 | +22,010 | 160,925 | +788 | 5,659,746 | 513,524 |
| 5 | France | 6,151,803 | | 111,936 | | 5,708,913 | 330,954 |
| 6 | UK | 5,923,820 | +21,691 | 129,881 | +138 | 4,552,631 | 1,241,308 |
| 7 | Turkey | 5,770,833 | | 51,519 | | 5,465,846 | 253,468 |
| 8 | Argentina | 4,947,030 | | 106,045 | | 4,594,873 | 246,112 |
| 9 | Colombia | 4,801,050 | | 121,216 | | 4,598,176 | 81,658 |
| 10 | Spain | 4,523,310 | +20,327 | 81,773 | +130 | 3,752,225 | 689,312 |
| 11 | Italy | 4,363,374 | +4,845 | 128,115 | +27 | 4,141,043 | 94,216 |
| 12 | Iran | 3,979,727 | +39,019 | 91,785 | +378 | 3,424,650 | 463,292 |
| 13 | Germany | 3,780,235 | +457 | 92,184 | +1 | 3,656,300 | 31,751 |
| 14 | Indonesia | 3,496,700 | +33,900 | 98,889 | +1,598 | 2,873,669 | 524,142 |
| 15 | Poland | 2,883,284 | +164 | 75,265 | +4 | 2,653,934 | 154,085 |
| 16 | Mexico | 2,861,498 | +6,506 | 241,279 | +245 | 2,241,868 | 378,351 |
| 17 | South Africa | 2,461,758 | | 72,437 | | 2,238,388 | 150,933 |
| 18 | Ukraine | 2,254,361 | +827 | 52,981 | +26 | 2,187,703 | 13,677 |
| 19 | Peru | 2,114,445 | | 196,518 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,872,093 | +2,184 | 17,832 | +3 | 1,671,277 | 182,984 |
| 21 | Czechia | 1,673,926 | +152 | 30,378 | +1 | 1,641,074 | 2,474 |
| 22 | Iraq | 1,660,371 | +11,644 | 18,865 | +63 | 1,488,186 | 153,320 |
| 23 | Chile | 1,618,457 | +605 | 35,640 | +24 | 1,574,176 | 8,641 |
| 24 | Philippines | 1,612,541 | +6,879 | 28,141 | +48 | 1,521,263 | 63,137 |
| 25 | Canada | 1,431,969 | +364 | 26,602 | +2 | 1,398,499 | 6,868 |
| 26 | Bangladesh | 1,296,093 | +15,776 | 21,397 | +235 | 1,125,045 | 149,651 |
| 27 | Malaysia | 1,163,291 | +17,105 | 9,598 | +195 | 950,029 | 203,664 |
| 28 | Belgium | 1,129,018 | +4,303 | 25,247 | +6 | 1,059,896 | 43,875 |
| 29 | Sweden | 1,101,900 | | 14,620 | | 1,076,639 | 10,641 |
| 30 | Romania | 1,083,711 | +233 | 34,297 | +5 | 1,047,915 | 1,499 |
| 31 | Pakistan | 1,043,277 | +3,582 | 23,529 | +67 | 944,375 | 75,373 |
| 32 | Portugal | 974,203 | +2,076 | 17,397 | +19 | 909,330 | 47,476 |
| 33 | Japan | 944,763 | +8,332 | 15,204 | +7 | 847,873 | 81,686 |
| 34 | Israel | 881,659 | +2,009 | 6,495 | +8 | 852,789 | 22,375 |
| 35 | Hungary | 809,672 | +26 | 30,029 | +2 | 749,461 | 30,182 |
| 36 | Jordan | 773,657 | +914 | 10,071 | +12 | 752,349 | 11,237 |
| 37 | Serbia | 723,031 | +424 | 7,127 | +5 | 710,971 | 4,933 |
| 38 | Switzerland | 720,743 | +1,059 | 10,907 | | 692,431 | 17,405 |
| 39 | Nepal | 702,097 | +2,448 | 9,922 | +24 | 660,116 | 32,059 |
| 40 | UAE | 685,462 | +1,548 | 1,960 | +4 | 662,660 | 20,842 |
| 41 | Austria | 660,262 | +390 | 10,742 | +3 | 644,038 | 5,482 |
| 42 | Thailand | 652,185 | +18,901 | 5,315 | +147 | 437,831 | 209,039 |
| 43 | Morocco | 642,683 | +8,760 | 9,949 | +64 | 574,918 | 57,816 |
| 44 | Tunisia | 596,775 | +1,243 | 20,226 | +159 | 521,335 | 55,214 |
| 45 | Kazakhstan | 595,433 | +7,481 | 6,153 | +100 | 489,135 | 100,145 |
| 46 | Lebanon | 563,124 | | 7,912 | | 537,451 | 17,761 |
| 47 | Saudi Arabia | 528,952 | +1,075 | 8,270 | +11 | 510,107 | 10,575 |
| 48 | Greece | 501,030 | +3,428 | 12,972 | +14 | 456,084 | 31,974 |
| 49 | Ecuador | 487,702 | | 31,644 | | 443,880 | 12,178 |
| 50 | Bolivia | 474,538 | +639 | 17,859 | +20 | 409,768 | 46,911 |

# টালিবান অমদি গভর্নমেন্ট ফোর্সকা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা ১৫ শিরে



কাবুল, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী): অফঘানগী মনুং চনবা কানধহার অমসুং লাশকরঘরদা অফঘান গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান লালহৌবশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অমদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১৫ শিহনখিবগা লোয়নন্না য়ামদ্রবদা মীওই ১২০ লোম অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ নেসন্স এসিষ্টেন্স মিসন ইন অফঘাননা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নহনখ্রে। অমরোমদা মীওই ১৫ শিহনখিবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদুবু নাকল অনীমক্না অমনা অমদা তাইশিন্নরি। হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিরোম অসিদা গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান লালহৌবশিংগী মরক্তা লেপ্পা লৈতনা খুৎ থোক্লরি।

লাশকরঘরদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদবা মীওই ১০ শিহনখিবগা লোয়নন্না ৮৫ অশোক অপন নংহনখি অদুগা কানধহারদনা মীওই ৫ শিহনখিবগা লোয়নন্না ৪২ হেন্না অশোক অপন নংহনখি। মসিনা মরম ওইরগা মফমদুদগী মীওই কয়া মথ্বায় হিংনবগীদমক অতোপ্পা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি হায়না মিসন অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না নাকল অনীমক্না য়ারিবমখৈ মীচম শোকহন্দনবা অপীল তৌরক্লি। মিসন অসিগী মায়কৈদগীসু লালনা মরম ওইরগা অৱাবা তাহল্লবা মীওইশিং অদুদা মতেং পাংবগী থবক চত্থরি।

# টিগ্রে অমসুং সুদানগী তায়নবা শরুক্তা লৈবা তুরেলদা অশিবা হকচাং কয়া থেংনখ্রে

টিগ্রে, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়াগী টিগ্রে অমসুং সুদানগী তায়নবা শরুক্তা লৈবা তুরেল অমগী তোর্ব্বান্দা ঙসি অশিবা মীওইবগী হকচাং ৩০ রোম থেংনখ্রে হায়না ইথিওপিয়ান রিফ্যুজি অনী অমসুং সুদানিজ ৪ না ফোঙদোরক্লি।

সেটিট তুরেলগী খোঙবান্দা অশিবা হকচাং কয়া লৈরমখিবা অদুগা মরী লৈননা ইথিওপিয়ান লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা অশিবা হকচাংশিং অদুদা নোংমৈনা পানবগী দাকফম কয়া লৈবা উরি। মসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা মীওইশিং অদু কনাগুম্বা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলগা তুরেলদা থাদরকখিবা ওইরম্বা য়াই। মমাং চয়োলদসু তুরেল অসিগী সুদানদা লৈবা শরুক্তা অশিবা হকচাং ১০ থেংনবগী থৌদোকসু থোকখ্রে।

অশিবা হকচাংশিং অদু মশক খঙদোক্লবগীদমক মরী লৈনবশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে। অশিবশিং অদু টিগ্রেদা থা খরগী মমাংদা ইথিওপিয়ান গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা টিগ্রেদগী সুদানদা চেনশিনখিবা মীওইশিং ওইরম্বা য়াই হায়না ৱাঙাংলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন্না অশিবা হকচাংশিং থিবগী থবক চত্থরি হায়রি।

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140

ONLINE REGISTRATION OPENS FOR CLASS XI (Sc.), 2021-22 (for those who did not register before)

Students, who did not appear previous entrance test (24th July, 2021) can appear this entrance test by using the same username and password correctly, no further registration required.

MODE OF ADMISSION : THROUGH ONLINE ENTRANCE TEST

For Registration Please Log in to School website (www.cometschool.in)

Online Registration : 3rd August, 2021 from 11 a.m.
Last date of Registration : 4th August, 2021 before 7 p.m.
Eligibility : Class X Passed/Class X result awaiting students (CBSE and other boards) in the Examination, 2021
Trial Test : 4th August, 2021 (9 p.m. to 9:20 p.m.)
Entrance Test : 5th August, 2021 (9 a.m. to 10 a.m.)
Declaration of Result : 5th August, 2021 before 3 p.m.

For the trial test and entrance test, enter the username and password correctly, which are generated on the registration form.

For details check the school website (www.cometschool.in)

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/7054/3, 4 Aug.

# হুই হাৎলুবগীদমক জর্মন টুরিষ্ট পুলিসনা ফাখ্রে

ক্রোএসিয়া, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) :

ক্রোএসিয়াদা লম কোয়বা লাকখিবা জর্মন টুরিষ্ট অমনা মহাক্কা লোয়নরকখিবা হুই অমা নুংথংনা থোমদুনা হাৎখি অমদি পুলিস ষ্টেসনদা চঙশিল্লক্তুনা অমাঙ অতা থোকহনখি হায়বগী মরালদা ক্রোএসিয়া পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, রিজেকা পোর্টকী অৱাং থংবা শরুক্তা জর্মন টুরিষ্ট অদুনা মহাক্কী হুই অদু মকোক্তা নুংথংনা থোমদুনা হাৎখিবনি। মশাগী চহী ৫১ রোম শুরবা টুরিষ্ট অদুনা থৌদোক অদু চত্থখিবা মতমদা মহাক য়ু ঙাওখি। মদুগী মতুং পুলিসনা মহাকপু ফাদুনা পুলিস ষ্টেসনদা পুরকখি। মদুদসু টুরিষ্ট অদুনা পুলিস ষ্টেসন অদুগী পোৎ চৈ খরা অমাঙ অতা থোকহনখি হায়রি। ফারবা টুরিষ্ট অদুগী মথক্তা ক্রোএসিয়া পুলিসনা শা হাৎপা অমদি তমথিনা ওৎপগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রেসু হায়রি।